

“মণিপুরগী ফিল্ম আর্কাইব ?
ঐখোয়গীদি মৈ ফাওবা মূদ্রি হায়বা য়াই।”
- আর কে বিদুর
(ৱাখল মচু মচু, শক্তম মখল মখল)

# শৈরেং

## নোঙ্গুল্লকখো থৱায়শিং
—তবানু খুরাইজম

ইঙাগী থানিল মপুংয়াই
থানিল মাগী মঙালদা
লাক্লে জুন তরানিপাল
কুমওন খুদিং কায়দনা,
তাইবঙ পনখৈ লানখ্রবা
থৱায় নখোয়বু শোন্নফম
কেক্রু পাৎকী মশাইদা
নোঙ্গুল্লকখো থৱায়শিং।
কংলৈ নরম লমলেনগী
শম্বল খাদ্রবা ঙমখৈগী
থৱায়না পোন্থা পীখিবা
নুংশিরবা থৱায় মীরেলশিং,
পলেম-পন্থৌ, শাগৈ-নাতৈ
নরুপ-নপীজা কয়ানা
ঙমজবা হৈরাং তম্নরক্লি
কেক্রু পাৎকী মশাইদা
নোঙ্গুল্লকখো থৱায়শিং।
থাবুম তরানিথোইবু
পীবুক হাপ্লা খাঙলকপা
খৌগংল থৱায় মীরেলনা
পোক্লফম মায়কৈ য়েংদুনা
ওন্ন থোইনা লেল্লকপা
জুন তরানিপাল লাকপসিদা
লৈখল শুরবা তাইবঙগী
পিরাং মরীক খুজোক্কা
হৈরাং লৈরাংগী তর্পন
তল্লিনে থৱায় নখোয়গী
পীবুক থন্না চারখো লাউ
নোঙ্গুল্লকখো থৱায়শিং।

## জুন ১৮
—ৱারেপ্পম তোমচা

হো! অথৌবশিং
হো! অথৌবীশিং
লাক্লো লাক্লো
নোক্লা নোক্লা
লেপলরো, লাক্লো
ইমাগী তম্পাক্তা।
অথৌবশিংগী কুমওন য়ৌরক্লে
অথৌবশিংগী মতম লাক্লেনে।
ইমা, ইচন কয়া কয়ানা
নরুপ-নপাং কয়া কয়ানা
মিৎলু পিরাং শিন্থনা
নখোয়বু লাকপা ঙাইনরি।
মপোক মপোক খুদিংদা
মীরোল কয়া কয়াদা
মুৎনাইদনা লৈহৌরনি
সনাগী ময়েক্লা ইহৌরনি
অথৌবা পারি নখোয়বু
অথোইবী চনুরা নখোয়বু
পলেম পন্থৌ কয়া কয়ানা
লেংমান্নবা মরুপ কয়া কয়ানা
লেংমান্নবী নতারোই কয়া কয়ানা
কোক্তা কোকয়েৎ, খ্বাংদা খ্বাংশেৎ
খূৎতা মৈরা পায়দুনা
নখোয়গী খোঙ্গুল লীনরি।

## জুন থানা লাকপসিদা
—বুঙোচা খুমনচা

ইমা লৈবাক নুংশিবগীদমক
ইরমদমগী ঙমখৈ কন্নবগীদমক
পাম্মুবা লৈতনা কৎথোকখি
হকচাংদা চেল্লিবা অঙাংবা ইখেং
পোকঙমদনা অমুক্তং পোকপা
নোংমা শিরগা লোইরবা থৱায়।
খঞ্জানখিদে নিংহন্নখিদে
নখোয়গী থাংজিনখ্রবা খোঙথাং
মায় লৈদুনা চেন্থোক্লকখিদে
অহৌবা নোংমৈ মখোল্লক্তগী
অহোইনদুম শিংনখি, লান্থেংনখি
উৎলমখি থৌনা নুপা ওইবগী
মণিপুর ইমাগী মপারীদি
থাংজিনখ্রবা খোঙথাংদগী লানফমদা
নিংহন্নবা খোঙকাপ থাংবা হৈরক্তে
হৈত্রি ঙসিসু, হৈসু হৈরোই
মপোক মপোক খুদিংদা।
নতম্বাক্তা পোকপনি
নতম্বাক্তা চাউবনি
নতম্বাক্তা শিববু
অশিবা থৱায় কৌবরা
হিংলি ঙসিসু নখোয়গী থৱায়
লৈরি নখোয়বু নুংশিবগী, নীংশিংবগী
মপোক খুদিং মুৎনাইররোইদবা
নুংশিবা কোলোই মিংলেন।
সনানা মৈনুংদা চঙলগা
হেন্না হেন্না লংবগুম
চহী কয়া হৌখ্রগা
কুমজা কয়া চৎখ্রগা
কুমওন কয়া লোইখ্রগা
হেন্না মশক ফজরকই
হেন্না মগুন য়াওরকই
হেন্না হেন্না নীংশিংবা হেল্লকই
জুন ১৮না লাকপা খুদিং
হে অথৌবা-অথৌবী ১৮।

## খোঞ্জেল অদুনা
—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

চেক্লা নঙনা খোঙলিবা
কনাবুনো কৌরিবা
করিবু হায়নীংলিবনো।
তাইবঙ মীরোলদি ওইদবনা
কুক্রু কুক্রু হায়না খোঙলিবা
কনাগী করি মপাউ তল্লিবা।
বিদায় হায়রিবরা
নুংশি মপাউ কনাগী ওইরিবরা
তোয়না, তোয়না
ইনাক্তা লাক্তুনা।
পামেল ফৈরাথক্তা তোংদুনা
নঙনা কুক্রু কুক্রু হায়রবদি
অপাম নুংশি মৈরিনা ৱাইখিদুনা
চেক্লা নঙবু কনানো
তৎতনা হংলিনে থম্মোয়না
নঙগী কাইদোংফমবু য়েংলদুনা।

## পোৎ য়োম্না চেল্লি
—এম নিলাকুমারি

পুলিস জেল চংই,
লল্লোন-ঈতিক য়াওরুবগী
গুলি মখল মখা কয়া
ফিরেপ চুম্না লেপ্লুদবগী।
পুলিসনা জেল চংদে
বজারদা মনা-মশিং য়োঞ্জবী
ইমা-ইবেল কয়া লিচৈনা শেৎ-শেৎ কল্লুরবসু
কয়া কয়া তানখায়রবসু
পোৎয়োমনৈ চেন্নৈ চুরান্থাবনা অঙাং ফাবা লাক্কুম
হংনরি পেন্দ্রবা থম্মোয়না;
পাউখুমদি খাকি মচু ফিজেৎকী শক্তাকপনি
মীনুংশি থৌজাল মরীক ঈরিক খিক্তে
য়ুনিফোর্মগী মগুন চাউই
তম্বদা য়াওরক্তে;
থাক-থাক খায়দোক্লে
সলাম কোৎলি মফম মতম চানা
অরাংবা চোরফোন খাকী পূম্নমক খংজিনবা তাবনি
লিচৈসু নোংমৈসু অতেন অশাং খূৎলায়নি
নিংথম কালেন নাথৈনৈ
মান্ননা হাৎকনি মান্ননা ফুগনি মান্ননা ফাগনি
মান্ননা চ্যেক তৌগনি।
ফিরেপ চুমলুদ্রবদি পুলিসসু
মন্ত্রি-মন্দলসু ৱায়েলশঙ য়ৌহল্লি
মখোয়বুসু ঙম্বা লৈবজাৎনি।

## খোন্থাং
—অথোকপম তোম্বা

কদায়দগী খোন্থাংনো
ইখঙ খঙহৌদনা পুন্সিদা তারিবা
নুংশি মীনোক তল্লম্মু হায়না
হায়ফম খঙদে, তৌফম খঙদে
ঐনা কোয়য়েং য়েংলমই
তাবদা খোন্থাংদু নাকোংনা
কনাসু লৈরমদে কনাসু
ৱাখলগী খোন্থাং ওইরল্লে
কোয়চেন চেন্দুনা য়েংলমই ঐনা
নুংশিবা নুংশিবা হায়দুনা
অদুবু ঐদি খঙদে
নুংশিবা করিনো হায়বদো
হূদগী হেন্না তমথীরবা
নুংশি-ৱারী শাবী-শানৌগী
ওইররে ঐঙোন্দদি হুগী মশক
লৈখোক্কী তমথীরবা তিলগুম
মাঙখিনি চীকথক্তুনা খাংঙুথক্তা
কেনগনি লৈমায়দা অরেম্বদা
হুনি হুনি নুংশিবা হায়বদো
খোন্থাংনি খোন্থাং ৱাখলগী

## ওল্লি ঐখোয়
—মনি থৌদাম

পূক্লিং, ৱাখল, লৌশিং
ওল্লে ওল্লে পূম্নমক
ফিজেৎ, চাকচেৎ খঙদরে
য়ূম্বানবা-য়ূম্বানবী ঙাওনরে
অঙৈং-অশা ওনখরে।
লৈঙাক্কী সাসন হোংখরে
মনীং তল্লে তমনীংবা
অফ-ফত্ত খঙদরে
অথেংবা মশীং থিঙমদে
নুংশি-নুংওলসু হোংখরে
ৱাহৈ ৱাতাসু হোংখ্রে
নাইতোম নাইতোম চাক চানরে।
মহৈরোয় ওজা গুরু
ৱাখলগী গ্লাস কায়নরে
ৱাখল মনীং তম্নরে
অয়ূক্তগী জর্দা চাথনরে
অয়ূক্তগী মহী থক্লরে
ময়াই কাবা মপাল শারে
অদুতসু মনৎত্রে
শেৎনরিবা ফিজোল ইকায়নদ্রে।
হকচাং ফীভম উৎনরে
মপাল থোক মপাল শা
নুং পান খঙদরে।
মৌসু তোইনা মাঙনরে
লৈশাসু তোয়না শিনরে
মোবাইলদা কুম্মৈ য়েংনরে
মোবাইলদা পাউ ফাওনরে
য়ূম্বাল পুন্সি হোংখরে।
ৱাহন্থোক লৈতনা য়ূম্বান্নরে
ওল্লে ওল্লে ওখাক ওল্লে
চৈচেৎ চৈশিং কয়ানো
লৈখিগদ্রা মতৌ তম
পূক্লিং ৱাখল লৌশিং
জাতি ঐখোয় লৈখিগদ্রা?

## কাউবা য়াদে
—ডা. রনজিৎ মঙাং

অৱা-নুংঙাই খুদিং
মপু মহাকপু কাউফরোই।
তৌবিমল খঙবা মখোয়
মতম খুদিং কাউফদে।
মাগী মী খায়দা
নুংশিনা য়েংলিবা কাউফদে।

# কোঙ্গোলখক্তা, অদুনা লোইরে

**(Just Lather, That's all)**

- হর্নান্দো টিলেজ

মহাক্লা চঙলকপদু ৱাহৈ অমা হায়রকপা নত্তে। ঐদি কোইথাঙ অদু শঙউলগী ফেংনবা অদুদা হঙ্গৎ হন্দা তক্তুনা থৌনবা হোৎনরি। হন্না য়েংথোকখিবদা মাবু উরকপদা ঐ কিবনা নিক্লম্মী। মহাক্লদি উখিবা নত্তে। ঐগী নুংগী মিহুলদু লোৎশিন্নবা হোৎনবদা ঐ থাঙদু ফেঙবা লেপত্রে। অমুক থৌরব্রা য়েংই খুবীদা নান্দুনা, অদুগা অমুকসু থাঙ্গৎতুনা য়েংলিবনি।

ৱা ঙাঙদনা মাসু মাগী নোংমৈ মরূ পরেং য়াল্লিবা পেটি অদু মখ্বাংদগী লৌথোকই, অদুগা পিস্টোল মখুম অদুসু অদুম য়ান্থরি। লৌথোক্লগা পেটি অদু ফক্লাংদা লৈরিবা কোচি অদুদা য়ানশিনখি। অদুগা মাগী লান্নীগী টুপী অদুসু কোচি অমদা থেৎচিনখ্রে। অদুগা ঐঙোন্দা ওনশিল্লক্লগা, মাগী ঙক্কী টাই অদু কোমথোকহল্লগা হায়রকই : “ওন্থোক্লসু শাখ্রেকো, ঐ অমুক্তা কোই কক্কে।” হায়না হায়না চৌক্রিদা ঙেক ফমথখি।

ঐনা য়েংবদা খঙলে, মহাক্কী কোইদু নুমিৎ মরিনিলোমগীনি। নুমিৎ মরিনিদু মখোয় উমংদা ঐখোয়গী নহারোল থিবা, ফাবা চৎলুবা শোয়দনা ওইরমগনি। মমায় ঙাঙলি, নুংশা য়ৈরুবগীনি। ঐসু চেকশিন্না সাবন মহী শেম্বা হৌরে। মচেৎ অমা অনী কক্লগা কপ অমদা থাদদুনা ঈশিং লুম্বু শাবদা ব্রসনা হাইবা হৌরে, কোঙ্গোল থোক্লবা। খুদক্তা কোঙ্গোল কাখৎলকপা হৌরে। “চৎলুবা লান্মী অতৈসু ঐদৌনা মকোই অসুম্না শাংনরবনি।” মানা ৱা ঙাঙবা হৌরকই, “খরনা শিনা পুরক্লে, খরদি হিংনা ফারকপনি। অদুবু কুইররোই মখোয়দুসু শিরনি।”

- “কয়াদি হেক শুগে ফারকপদু?” ঐনা হংখি।

- “তরামরিনি। ঐখোয়না তান্নবনি, আ উমং মনুংফাওবা হেক ফংদ্রিফাও। থিরদি ফংখিনি খরসু। মখোয় অমতা হিংনদি থোক্লক্লরোই। অমফাও।”

মহাক চৌক্রিদা ঙাথরক্লে, ঐনা কোঙ্গোল নোইরবা ব্রস অদু থাঙ্গৎপা উবদা। ঐদি মাবু ফি য়োমগদবা ৱাৎলি। ঐ মদুগী খল্লুবদা থৱায় নুংঙাইতে। অদুবু দ্রোঅর অমদগী ফি লৌথোক্তুনা মাগী মঙক্তা কিশি থানা পুল্লে। মাদি ঙাঙবা তোক্ত্রি। মানা খল্লিব্রা খঙদ্রে, ঐসি মখোয়গী সিফাই কাঙবুসিবু নুংশিবা মীনি হায়না।

- “সহর অসিদা লৈরিবা মীয়ামসি পাড়া অমা ফারল্লনি খল্লি, ঐখোয়গী তৌরিসি উবদা।” মানা মখা তারকই।

- “হোয়।” ঐসু খুমখি, অমুবা, হুমাং চোৎলবা মঙক্তু পায়খৎ পায়খৎনা।

- “ঐখোয় ফজনা পাঙথোকখিবনি, অস!”

- “য়াম্না ফরেনে।” ঐসু অদুম খুমখি। ব্রস লৌনবা তুং ওনথোক ওন্থোক্লা।

নুপাদু মমিৎ উইশিনখ্রে। মহাক চোকথবগী মওংনি। সাবনগী কোঙ্গোলনা তৈরকপগী অঙৈংবদু নুংঙাইরকপগুম উই। ঐ অমুক্তা মহাকসি অসুক নক্লা উবা ফংদ্রিবনি। নুমিৎতু মহাকসিননি ঙন্না স্কুল লম্পাক্তা মীয়াম পূম্বা কৌথোক্তুনা ফৌদুনা থমখিবদু। নহারোল লালহৌবা মরিদু শিনা য়ান্দুনা থমখিবনি। মীয়াম্বু য়েংহল্লি। ঐ ঙাইহাক্তি নুপাসিগা মায়োক্লরকখি। অদুবু ফিভম কায়রবা য়াল্লিবা নহারোল মরিদুগী ফিভমদু উবদা য়াথং তাউথরিবা নুপাসিগী মশক য়েংবকা কাউখি। অদুবু হৌজিক্তি মহাক অদুগী মমায়মক্লি ঐনা মকোই কক্লবা খূৎনা পায়খৎলিবা।

মহাকসি য়েংবদা নুংশিবা শক্তা নত্তে, মকোইসিনা মাবু অহল মালহল্লে, মশাগী চহীদগী। মকোইসি মঙোন্দা শুপ্পক হেক পক্ত্রে। মমিং টোরীজ কৌই - কেপ্তেন টোরীজ। মহাকসি মোন্দ্রং শান্নবা মীতানি - অদু নৎত্রদবু কনানা মাদৌনা খল্লুনি - অশিবা নহারোল লালহৌবশিংবু মফি য়াওদনা য়াল্লগা নোংমৈ খূৎ চুম্বা তান্নবসিবু কনানা তৌগদৌগে?

ঐ মাগী মখদাং, নাতোন শুমাংদু অহানবা মরোলগী সাবন কোঙ্গোল তৈবা হৌরে। মাদি মমিৎ উইশিলখ্রে, ঙাঙবদি তোক্তে- “ঐ তূম্লিংবদি কোক্লা মোনগা তাইনবগা তূল্লদৌনি। অদুবু য়ারোইদৌরি, ঐ নুমিদাংৱাইসি তৌদোবা থবক খরা লৈরি।”

ঐ কোঙ্গোল তৈবদু চপ লেপ্লুই অদুগা থোইনা লুনা খন্দবা শাদুনা হংলুই - “করি থবকনো, মী য়াল্লগা কাপ্পগী থবক্লা?”

- “হোয়, অদুগুম্বনি, অদুবু সিনা খরা তপ্পা খূৎহাৎনি।” ঐ অমুক চৎথরে মখদাং, নাতোন শুমাঙ সাবন কোঙ্গোল তৈবদু। অদুবু ঐগী খূৎ নিকখিবা খঙহৌদে। নুপাদুনদি খঙখিদে। মদুমদি লাইবক ফৈ। অদুবু মহাকসি লাক্লমদবনদি ঐঙোন্দা ফরমগনি। মরমদি ঐখোয়গী লালহৌবা ফেক্সন খরনা মানা ঐগীদা চঙখিবসি খঙখ্রবনি। য়েক্লবা অমনা লালহৌবা অমগী য়ূমদা চঙলক্লবদি মদুদা ঙাক্কদবা নিয়ম খরা লৈবনি।

ঐগী ইথৌদি মাগী মকোই অসি ফজনা ককপীখিবনি। অতৈ মীচমগুম, চেকশিন্না, তপ্পা। তুখোং অমা ঈ থোকখিবা য়াবা নত্তে। অদুগী মথক্তা থাঙ অসিসু শম খরনা পন্দুনা ময়া থৈখিদুনা লান্না চৎখিবা য়ারিবনি। অদুনা ফজনা ককপসি তনান তনান, মোন্না, শোয়দ-ঙামদনা কক্তবা য়াদ্রি, ঐগী খূৎনম্না নানবদা শমখোঙ অমা থেংনবা য়াবা নত্তে। হোয়, ঐসু লোন্না লালহৌ য়াওরুরিবনি, অদুগা ঙসিনা মীয়াম্না পাম্নরবা শমককপা। ঐগী শিনফমসিগা চাননা ঐগী চেকশিঞ্জবা, কূপশিনবা অসিগীদমক ঐ চাউথোকচরিবনি।

ঐ ব্লেদ পায়খৎলে, ঐগী ইখূৎ অনীমক শীজিন্নরে। ব্লেদ অদু ময়া ইন্থোক্লে, ককথবা হৌরে। মথক্তগী মখারোমদা। ব্লেদ ময়াদুসু থৌরি, ফজনা চৎলি। মাগী মকোই অদুসু পৌই, চপ চপ তিংই, কল্লি, য়াম্না শাংবসু নত্তে। অদুগা কূংবদি কূংই। খরা খরা উনশা ফাওরক্লে, ব্লেদকী ময়াদু শাংনা ইন্থরি। মসিগী হৌনবী মখোল অমগা লোয়ননা কোঙ্গোল মরক্তুদা। শম মতেক ময়াম তোৎলদুনা, ব্লেদ ময়াদুদা পৈখৎলক্লি।

ঐসু মদু তৈথোক্লবা লেপ্পি। অদুগা তৈথোক্লিঙৈদা অমুক ময়াদু শঙউলগী ফেঙনবা অদুদা খেৎলি। ঐ শিনফম অসিগী হৌনবী মুন্না খঙই। ফি মনুংদা থম্নম্বা মখূৎ অনীদু অমদি মপান্দা পুথোক্লক্লে। অদুগা মখূৎতু থাঙ্গৎতুনা ককখিবা মফমদু নান্দুনা য়েংলকই। মদু নান্না-নান্না ৱা ঙাঙলকই :

- “হোরেল সন্ধ্যাগী পুং ৬ তাবদা স্কুল লম্পাক্তা লাকউ।”

- “নহালগী অদুম্না তৌদোইরা?” ঐনা পাখৎনা হংখি।

- “ঙসিগীনা খরা ফগনি।” মানা খুল্লকই।

- “করিনো নখোয়না তৌগে নীংলিবু?”

- “ঐ হৌজিকমক্কীদি খঙদ্রি। অদুবু ঐখোয়না নুংঙাইদৌবা অমদি তৌনি।” অদু হায়রল্লগা অমুক মমিৎ উইশিনখ্রে, ঙাথরদুনা। ঐসু অমুক চঙশিল্লে কক্লবা।

- “নখোয়না ফারক্লিবা পূম্বদু দন্দি পীদৌরিরা?” ঐনা খঙনীংনা হংখি।

- “পূম্নমক্লি।”

মাগী মমায়দা তৈবা সাবন কোঙ্গোলদু কংশিল্লক্লে। অদুনা ঐনা থুনবা হোৎনৈ। মিংশেলদা য়েংই, সড়ক্তা করি করি উগে য়েংই। হান্নগী হান্ননি। দুকান অদুম হাংলি, মরু-মরাং য়োনফমদু পোৎ লৈবা অমা অনী লেপ্লি। অদুদগী ঐ অমুক ফক্লাং ঘড়ীদুদা মতম য়েংই - পুং ২.২০ তারল্লে নুংথিলগী।

থাঙদু অদুম থক্তগী খাদা ঐ খেৎথরি। হন্দক্লা নাকল অমরোমগী কোইনি। য়াম্না কূংই, শংবানবা মচুনি। মসিদি মহাক্লা থওইনা কবি নৎত্রগা পুরোহিটশিংনা খাকপগুম য়োকপা মাল্লি। মসিদি মঙোন্দা চানৈ। অয়াম্বা মীনা মাবু হেক খঙবা ঙল্লোই। মঙোন্দা কান্নদৌবা পোৎনি, ঐনা খল্লি, সুম তকথবদু ঙক ময়াদা নান্নবা হোৎন-হোৎননা।

মফম অদুৱাই য়ৌরকপসিদি হৈতবা য়াদে। হৈ-হৈতে মদুদা খঙনরিবনি, মরমদি কোইদু য়াম্না থোৎপা, খোইরি খোইরি হৌবা মফমনি। খোই খোইবা খদাং কোইনি। খিক্তং শোয়বদা তুখোঙ অমা হেক্তা হোদুনা ঈ মরিক অমতা ওইরসু থোক্লক্কদৌরিবনি। অদুবু অহৈবা শমককপা মী অমনদি মদু থোক্তনবা হোৎনবা ঙম্বগী চাউথোকচরিবনি।

নুপাসিনা ঐখোয়গী নহারোল কয়া কাপ্পু হায়না য়াথং তৌখ্রবা? ঐখোয়গী মরক্তা কয়ানা মখোঙ মখূৎ ককথৎখ্রবা? মদু ঐ খল্লুদুনা কান্নদ্রে। টোরীজ হায়বসিনা ঐসি মাগী য়েক্লবনি হায়বসি খঙজদ্রি। ৱাফমসি মহাক খঙদ্রি, অতৈদুনসু খঙলোই। মসিদি অরোনবা ৱানি, খরখক্তুনা খঙবা। অদুনবু ঐনা লোন্না পাউ পীবা ঙল্লিবনি, ঐগী মরুপ লালহৌবশিংদুদা - টোরীজ হায়বসিনা সহর মনুংদা করি তৌরি, নৎত্রগা করম্বা মতমদা মহাক নহারোল তান্নবা উমং মনুংদা চঙগদৌরি হায়বনচিংবা।

অদুনা হৌজিকমক হায়বদা লুনা থোক্লনি, কমদৌনা ঐগী খূত্তা লৈরবা মাবু কৈসু তৌদনা শান্তি ওইনা, মকোই ফজনা ককপীদুনা হিংনা থাদোকখিদৌরিনো?

হৌজিক মকোই ককপা লোইশিল্লক্লে। মহাক নহা মাল্লক্লে, চহীনা পোৎলুম ওইদ্রিবা। মানা চঙলকপদা মানখিবা শকফমদগী হৌজিক্লা নৌনা উরে। মসিবুদি শমককফম চঙলকপা মী খুদিংগী মফমদা তৎতনা থোকপা মতৌনি। অদুনা ঐগী কোইথাঙনা শোকপদা টোরীজ হায়বসি নৌথোকহল্লে, মসি ঐনা হৈবননি, ঐসি সহর অসিদা খ্বাইদগী হৈবা শমককপনি হায়নীংইবনি।

নুংশা সুম শাগৎলক্লি। টোরীজ হায়বসিসু ঐদৌনা হুমাংনা লূপ্লদৌনি। অদুবু মাদি য়াম্না তপ্পা মীনি। তপ্পা হায়বু মহাক খঞ্জবা ফাওবা লোইদ্রি - হোরেল বন্দিশিংদু করম্না লোইশিনসিগে হায়বফাও খঙজদ্রি। অদুগা অমরোমদনা ঐদি, খূত্তা খুর অসি পায়রি - খেৎলি, হন্না খেৎলি, মাগী উনশা। কৈদৌসিগে খনফম খঙদ্রি।

মহাক লাক্লমদবনা ফবনি, ঐ লালহৌবা য়াওরিবা নহানি, অদুবু মীহাৎপদি নত্তে। অদুগা কয়াদা লায়না থোক্লবা ঐঙোন্দা মাবু হাৎপসি। মহাকসি হাৎফমদি থোক্লবনি। থোক্লব্রা? হুম! কয়াদা ফৎত্রবনো? কনা অমতনা মী অমবু হেক্তা হাত্তোকপা হৌনদে, মহাক্তু মীহাৎপনি হায়দুনা। মদুদা ঐখোয় করি তোংজৈ, কৈসু তোংজদে। লোইবা নাইরোই, মথঙ মথঙনি। অহানবা অমনা অমা হাৎকনি, অনীশুবনা অমদু অমুক হাৎকনি, অহুমশুবনা অনীশুবদু অমুক হাৎকনি - অদুম অদুম চথনরবদি ঈগী সমুদ্র অমা শেল্লম্বা তাবনি।

ঐ হৌজিক মাগী মঙকসি ককথৎপা য়ারে। জপ, জপ। ঐনা মাবু ঙাকথোকচনবা মতম পীদবা ঙম্মী। মরমদি মহাক মমিৎ উইশিল্লি, মানা কৈসু ঐগী অরংবা থাঙ ময়া উবা ঙল্লোই, ঐগী অশাউবগী লং-খৎফা মিৎ অসিসু। অদু ফনা ওইদুনসু ঐ মীহাৎপা অমগুম নিকখৎলক্লি। মরমদি ঐ থাঙ হেক থারুবদা মাগী মঙক অসিদগী ঈ কামথোক্লক্কনি, ঈয়ামদুনা য়োল্লিবা ফিসি পূমচোৎ চোৎলক্কনি, চৌক্রিসিসু লূপ্লনি, ঐগী খূৎসু ঈ তৈরনি, লৈমায়সু। ঐ থোঙ লোনবা তাবনি, অদুবু ঈদুদি ফোঙ ফোঙ শানা সুম খজিক খজিক চেনথোকখিনি, লৈমায়দা, মুৎথৎপা য়ারোই, থিংবসু ঙল্লোই, অদুদগী মমৈদা সরক য়ৌখিনি। অঙাঙবা ঈচেল মচা অমা ওইনা।

ঐ খঙই ফজনা, অমুক্তং লেনবদা, থাঙসি থুম্না নমশিল্লগা অমুক্তং লেনবদা মহাক নাবা নংহৌরোই। মহাক লোইরনি। অদুবু ঐনা মাগী হকচাংসি কৈদৌননি? ঐনা মসিবু মফম কদায়দা লোৎকনি? ঐ চেনখিবা তাবনি। পূম্নমক লংথোক্লক্লল্লগা, অদুগা কদায়দনো লোৎলুবা তাবনি। অদুবু মখোয়না ঐবু থিরক্কনি হেক ফংদ্রিবা ফাওবা। “কেপ্তেন টোরীজগী মীহাৎপা ওইনা ঙাঙনখিনি, কয়াদা পাঙখিদ্রবা, মীবু কোই ককপা লাকপদা হাৎপা ঙম্বা পাঙদবা!”

অমরোমদনা ঐবু শোন্নহৌগনি - “ঐখোয়গী নহারোলগী লমন খুম্বা ওইনা। ঐগী মিং নীংশিংনহৌগনি। মাদু সহরগী শমককপনি হায়নহৌনি। মানা অসুম্না ফনা খঙহন্দনা লায়না ঐখোয় পূম্বগী লমন খুম্বীরল্লে হায়নহৌনি।”

অদুনদি ‘মীহাৎপা নৎত্রগা হিরো।” ঐগী লাইবকসি ঙসিদি থাঙ অসিগী ময়াদা তোংলি। ঐ খূৎসি খিক্তং চেপ্পদা, থাঙ ময়া অসি খিক্তং হেক নমশিনবদা কন্না অদুম লোইরে। মাগী উনশা অসিদি থাঙসিগা য়েংনরুবদা সিল্কমুক থোৎলি, রবরমুক পেৎলি। মীওইবগী উনশাদগী হেন্না নৌবা করিবু লৈরিবগে? ঈদি থোক্কদবগী ঙাইদুনা লৈরবনি। মফম অমদা হেক্তা।

অদুবু ঐ মীহাৎপা ওইবদি পামদ্রি। মাদি মকোই ককচবা চঙলকপনি। ঐসু শমককপা অমগী থবকনি তৌরিবা … মদুদা ঐ খূৎতা ঈ তৈহন্নীংদে। ‘কোঙ্গোলখক্তনি, মদুনা লোইরে’ খূত্তা তৈগদবনি। মানা নহারোল ময়াম হাৎপনি, ঐনা অচম্বা শমককপনি। মী পূম্বা মাগী মাগী মথৌ লৈনরিবনি, তাইবঙসিদা।

হৌজিক মাগী মখদাং শিৎ নাল্লে, ফজরে। নুপাসি চপ তিংনা ফল্লক্লে, মিংশেলদা য়েংজরক্লে। মশাগী মখূৎনা মখদাং, নাতোন শুমাঙ নান্দুনা য়েংজরক্লে। তশেংনা ইনৌ নৌবা শকফম অমা ওইরম্বদুদা মহাক হরাউজরে।

‘থাগৎচরি,’ মানা হায়রকই। অদুদগী হৌগৎলগা য়াল্লিবা পেটি অদু ফাজিল্লি, পিস্টোল লৌখৎলি, টুপী পায়খৎলি। ঐদি শকফম অসি কায়রমগনি, তাইফেৎ তাইরমগনি, ফুরিৎ অসি হুমাংনা লূপ্লে। টোরীজ কৌবসি খোঙউপ মরী ফাজিনখ্রে, চপ তিংনা লেপখৎলকই, মখূৎনা পিস্টোলদু মখুমদুদা হাপচিল্লদুনা। অদুগা মশমদু মখূৎনা নান্থোক্লগা টুপী উপশিনখ্রে। অদুগা মাগী ফুরিৎখাউদগী হুমজিনখ্রগা পৈশা খরা লৌথোক্লকই, ঐগী পীনবা। অদুগা পীরল্লগা থোঙদু লান্না চৎখিনবা তৌই।

থোঙদুদা চপ লেপ্লগা মিৎকুপ অমতং মানা হায়রম্মী - “মখোয় ময়াম্নদি হায়হৌরিনি, নঙনা ঐবু শোয়দনা হাৎপীখ্রনি হায়না। ঐ মদু থোকপ্রা য়েংগে লাক্লিবনি। অদুবু মী অমা হাৎপা হায়বসি অরায়বা ওইদবনি। ঐনা হায়রিসি থাজৌ।” অদু হায়রল্লগা মমায় লৈথোকখ্রে, অদুগা থোকখ্রে অদুম।■

*ইংরাজিদা : দোনাল্ড এ য়াটস*
*মীতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা*
*(কলম্বিয়াগী ৱারীমচা)*

# মঙালগা লৈচিলগা

হনুবনা নোংখাঙ চারবা উজাও অমদা হন্দক মরক্তি ক্বাক অমা ইতৎ-তত্তনা তোংবা উই। উসা অমদা তোংদুনা লৈবদু অশাবা ক্বাক অমা খিন্দুনা থম্বা মাল্লি। মঙক শুপচিন্দুনা তুম্পক তাশিন্দুনা লৈ। শুঙলেঙ লেঙদে। মায় মমীৎতুদদি অশাবা মান্দে। অহিংবনি। উগনবা মীৎতানি।

মনাক অদুৱাইদা লুহোংফম অমা তম্না লুহোংবা য়াওনবা মীয়াম অমা কেনা কেনা চৎনবদু উই। মায়থোং মকা লাম্না। নোক-খেদুনা। য়ূম্বাল লম্বীদা নৌনা মীং চনগদৌরিবা বর কন্যা হরাও হরাও ওকপা তাবনি। অহাওবা চাদুনা। ফজবা ফিজোল শেক্তুনা। বর পীদুনা। নুংঙাই য়াইফরো। অহৌবা অমনি। ধুম-ধাম তৌদুনা হৌবা ফৈ। অমোৎ অকাই ময়াম ঈরুজথোকখ্রগা। পুন্সিগী নুংঙাইতবা মঙ কাউথোকখ্রগা। অহিংগী অৱাবা অয়ূক্তা করিগী ৱাকৎচরুগদগে? অনৌবা নুমিৎ অমা অয়ূক্তা হৌবা তাবনি।

লুহোংফমদা মরুপ-মপাং ময়াম অমা ঙাইহাক থেংনবসিসু পুন্সিনা শ্বর হোন্দোকচবা মীৎকুপনি।

‘নোনিগোপাল নঙদি নহাদা ওইদুনা অদুম লৈরগেরা। পোক্লা মচেৎ অমত্তা কাপত্রিনে।’

‘কদাইদৈনোদা য়াদ্রবনি। কুরাংবালদা ঙাইরবনি। মনুংদদি মহাম তারবনি।’

‘হেরা করিনোনে হায়রিসিবু? লায়না ফত্তবকা নারব্রা নঙবো?’

‘নাবুদি নাদেদা। অদুদা।’

‘অদুদা কৈদৌরবা। ইশা শেঙবসিমুক নুংঙাইবা লৈত্রে কৈনো। কুচু কুমেন য়াম্না শেঙলি। পুন্সিখিনি।’

‘ৱাতাসিদি। নোনি নঙবু মহেনসি চাক চরা অমত্তদি কৌহে।’

শরতসু চংশিল্লক্তুনা য়াওশিল্লে। য়াওশিল্লকপগা মাই হৌনবীদু হেক্তা হৌরকই।

‘অতৈ কর্ম্মদি খঙদে ঐদি লুহোংবসিদি শোইবা য়াদে।’

‘লুহোংবা শোই য়াদ্রিবু করিগীনো?’

‘নীংশিংলকইনহে।’

খরনা খোন থোক্তুনা নোকই।

‘করিনোনে নীংশিংলকইবো।’

অমনা মরক থৎলকই। ৱারীগী ঈচেল থৈখ্রে।

‘ঙাইখো নুপীসিদি কেথরদি ঈংবগা চংদেহে। নিংথমথাসিদবু পাখ্র-পাখ্রবা ফি শীজিন্নবসি কৈসু ঈংদমাল্লে।’

‘নুপীগী উনশাসিনা খরা থাবজাৎনি, ইতাও। ঈংবগা চংবজাৎ নত্তে। মীনা য়েংবীনবা। মীনা থাগৎপীনবা।’

‘বরসিবু করি তৌরি হায়গে। ময়াঙ কঙখ্রেদা। মশাসি লীংনা উদেনে।’

‘অনৌবা লেকচররনি হায়। এম এ, পি ঐচ দি তান্নরিঙদা লাইরিক্লা চাথোক্তুনা তৌরিবনি।’

‘অদু ওইরসু নুংঙাইবিদেদনা। হোরেলগী খনবীবগী ৱানি।’

‘নঙ অসিননে। নীংশিংলকই - গুম্বা ঙাক্তা উবসিনা। তাইবঙপানসি অমদুদৈদা ৱাহন্থোক পীনবা হোৎনবসিনা।

লুহোংলিবা মফমদুগী থংনবা লৈরক্তু ফাওদুনা কু পুদুনা মী শিবগী মোংফমদা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা মীয়াম অমসু চৎলি। নুপী মীয়াই চল্লবী অমগা লৈশাবী মচা অমগা অনীগী মমায়দু য়েংবা নুংঙাইতে।

শিরিবসি মীয়াই চল্লবীসিগী নুপা, লৈশাবী মচাদুগীনা মপা ওইরম্বা তাই।

ক্বাক্তু । ক্বাক ক্বাক্তু মসা খিংদোকই। মমিৎ হেন্না শিংগৎলকই।

চুম্মী, ঙরাং অহিং মকু খোংখি। তাঞ্জা চানরুবা হায়গদরা। ঐবুসু উরমগনিসে। ঐনা খোংবসু তারমগনিসে। মখোয় শ্বাইদদি ক্বাক্লা লাক্লা লাক্লা খোংলদি, মকু নাহেরবদি মীশি-মীনা য়াওই হায়নবনি।

খঙদেদা মালেমসে লুহোংবগা মীকপ মীরাওখোলগা ইপু পুল্লি। অঙক অঙকপা ঙাক্তা থোকই। সিদা নত্তে। সিদা নত্তে। জাৎ জাৎনি। লোইবা নত্তে সিদনা। লোইবা নত্তে। লোইবা।■

*-কাংজম রাধাকুমার*
*(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘মীৎকুপ অমতং’ দগী লৌখৎচবা)*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।